## সবা করিম বি সী সী আইগী জি এমগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): বোর্ড ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী জেনরেল মেনেজর (ক্রিকেট ওপরেসন্স)গী থৌ পুরম্বা সবা করিম রিজাইন তৌখ্রে।

মমাঙদা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিমগী ৱিকেট কিপ্পর ওইরম্বা সবা করিমনা ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা মহাক্কী রেজিগজেনসগী চেরোল অদু পীশিনখিবনি। সবা করিমনা ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা সিনির দোমেষ্টিক ক্রিকেট টুর্নামেন্টশিং, ইন্দিয়াদা অতোপ্পা লৈবাক্কী টিমশিংনা লাক্তুনা শান্নবা মেচশিং অমদি নুপীগী ক্রিকেটকী থবক থৌরম পুন্নমক মহাক্না চহী ২.৫গী থৌ পুরিঙৈ অদুদা মথৌ পাঙথোক্লম্বনি। বি সী সী আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱাফম অমদা বোর্ড অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা নৌনা থবক পুরকখিব মমাঙদা ইন্দিয়াগী টিম কেপ্টেন ওইরম্বা সৌরব গঙ্গুলি অমসুং জয় সহানা সেক্রেটরী ওইনা থবক তৌরকপদগী সবা করিমনা লৈনবা মরীশিংগী মরক্তা লাপথোকপগী ফিভম লাকখি। ইরাই নুমিৎতা ফমখিবা বোর্ড অসিগী মীফম অদুগী মাংওইননা সবা করিমনা মহাক্কী রেজিগনেসন পীখিবনি।

এফ এ কপ ২০১৯-২০

## ওবামেয়াংগী পাঞ্জল অনীনা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মেনচেষ্টর সিটিবু ২-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌখ্রে



লন্দন, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): মালেমগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লীরবা টুর্নামেন্টনি হায়না লৌনরিবা ইংলেন্দদা পাঙথোকপা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমীফাইনেলদা পিয়েরি ইমেরিক ওবামেয়াংনা অহানবা অমসুং অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমমম চন্দুনা মমাঙগী চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্লব মেনচেষ্টর সিটিবু অরস্নেলনা ২-০দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাং লন্দনদা লৈবা ৱেমব্লে ষ্টেদিয়মদা ভাবোক অমত্তা য়াওদনা এফ এ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল মেচ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা লম্বা তৌন্দুনা ফাইনেল য়ৌনবা হোৎনরকখি।

পনবা য়াই, অরস্নেলগী টিম এফ এ কপকী টাইটল ১৪রক লৌবা ঙমখ্রবনি। অহানবা হাফ অদুগী হৌরকপদা লম্বা মান্নরবসু মেনচেষ্টর সিটিনা বোল পায়বগী চাং হেনখি। অদুবু ১৯শুবা মিনটতা ওবামেয়াংগী য়াম্না ফজবা সোট অমনা মেনচেষ্টর সিটিগী দিফেন্দরশিং অমদি গোল কিপ্পরবু মায়থীবা পীদুনা সেমীফাইনেল মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল ওইহনখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা মেনচেষ্টর সিটিগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা মপুং ফানা বোল কন্ত্রোল তৌবা অমদি কোওর্দিনেসন লৈবগী ফিভম উখিদে। অহানবা হাফ লোইশিনবা ফাওবদা মখোয়না শোথখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফ হৌরকপা পুংখাই ফাজিল্লক্কদবা মতম ফাওবদা ওবামেয়াংগী পাঞ্জলনা মেনচেষ্টর সিটিবু অরস্নেলনা ১-০দা হেন্দুনা অদুমক লৈখি।

ভাবোক লাখ অমা হেন্না তিনবা য়াবা ৱেমব্লে ষ্টেদিয়ম অদু ভাবোক অমত্তা য়াওদনা শান্নখ্রবসু অরস্নেল অমসুং মেনচেষ্টর সিটিগী শান্নরোয়শিং নীংহন্নবা লৈখিদে। শান্নবা লোইগদবা মিনট ২০ রোমতা ঙাইশিল্লক্লবা মতম অদুদা মখা তানা অরস্নেলগী শান্নরোয় কিএরান টর্নিনা পীরকপা য়াম্না ফজবা পাস অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ওবামেয়াংনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু ওইহন্দুনা এফ এ কপকী ফাইনেলদা মেনচেষ্টর য়ুনাইটেদ অমদি চেলসিগী অথোইবগা থেংনরগনি।

## ইন্দিয়াগী কোনেরু হম্পি ৪শুবা লেগকী ফাইনেলদা রসিয়াগী কোষ্টেন্যুক্না থোইখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): ইন্টর্নেসনল চেছ ফেদরেসননা শীন্দুনা নুপীগী স্পিদ চেছ ওনলাইন চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা লেগকী ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর কোনেরু হম্পি রসিয়াগী শান্নরোয় আলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুক্কী মখুৎতা মায়থীহৌরে।

মালেমগী মমিং লৈরবা মকোক থোংবা নুপী চেছ শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোরকপা ৱিমেন স্পিদ চেছ ওনলাইন টুর্নামেন্ট অসিদা লেগ মরি থোক্না শান্নরবা মতুং খ্বাইদগী পোইন্ট য়াম্বা শান্নরোয় ২না হয়েং সুপর ফাইনেল লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা লেগকী ফাইনেল মেচ অদু ইন্দিয়াগী নম্বর ১ শান্নরোয় কোনেরু হম্পি অমসুং রসিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর আলেকজেন্দ্র কেষ্টেন্যুককা অকনবা লম্বা থেংনখি। হৌরকপদা পোইন্ট মান্নদুনা লৈরম্বদগী ময়াই চনশিল্লকপদা আলেকজেন্দ্রনা ফজবা খরা হেল্লকখিবদগী কোনেরু হম্পিবু মাংজিল থাখি। হম্পিগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পোইন্ট ২ খেন্নখিবা মরম্না ফুগৎপা ঙমখিদবদগী আলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুকনা পোইন্ট ৭-৫দা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর কোনেরু হম্পিবু মায়থীবা পীদুনা ৪শুবা লেগকী ৱিন্নর ওইখি।

ঙসি ফাইনেল মেচ অদুগী মাংওইননা শান্নখিবা ৩শুবা পোজিসনগী মেচ অদুদা চাইনাগী ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় হৌ য়িফাননা ইরানগী শান্নরোয় এস খাদেমালসারেবু পোইন্ট ৭.৫-২.৫তা মায়থীবা পীদুনা ৩শুবা পোজিসন তাখি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা সুপর ফাইনেল অসিদা ৱিমেন্স স্পিদ চেছ গ্রান্টপ্রি অসিগী অহানবা লেগতা মকোক ওইখিবা য়ুক্রেনগী অনা উসেনিনাগা ঙসি ৪শুবা লেগতা মকোক ওইখিবা রসিয়াগী অলেকজেন্দ্র কোষ্টেন্যুককা লম্বা তৌনরগনি। গ্রান্টপ্রি অসিদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৩ শরুক য়ারকপদা কোনেরু হম্পিনা ঙসি মরিশুবা লেগকী রন্নসঅপ তাখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজখি।

## ইন্দিয়াগী পি হরিকৃষ্ণনা বিএল চেছ ফেষ্টিভেলগী ৯৬০ ইভেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে



বিএল, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): স্বিজর্লেন্দগী সিটি বিএলদা পাঙথোকপা ৫৩রক শুবা বিএল চেছ ফেষ্টিভেল ২০২০গী শরুক অমা ওইরিবা চেছ ৯৬০ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর পেন্তালা হরিকৃষ্ণনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

পুন্না রাউন্দ ৭ শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অদুদা পেন্তালা হরিকৃষ্ণনা পোইন্ট ৫.৫ ফংদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। টুর্নামেন্ট অদুগী রাউন্দ ৭ শান্নবা অদুদা ঈ এল ও রেটিং পোইন্ট ২৬৯০ ফংলিবা হরি কৃষ্ণনা মেচ অমত্তা মায়থীদনা পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা মকোক ওইখি। ঙরাং অথেংবদা পোলেন্দগী শান্নরোয় রাদোস্লো ৱোষ্টাজেকনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক স্বিজর্লেন্দগী নোইল ষ্টুদরগী মখুৎতা মায়থীখিবা অদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হৌরকপদা হরি কৃষ্ণনা ইংলেন্দগী শান্নরোয় মাইকেল অদামসকা দ্রো চৎখি। মদুগী মখা তারকপা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা রাউন্দদা স্বিজর্লেন্দগী শান্নরোয় অনী অলেকজেন্দর দোনচেককো অমসুং নোইল ষ্টুদরবু মায়থীবা পীখি। মরিশুবা অমসুং মঙাশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী চহী ১৫ খক্তা ঙাইরিবা শান্নরোয় কেমরগা দ্রো চৎলবা মতুং মঙাশুবা রাউন্দদা ৱোষ্টা জেককা দ্রো চৎখি। তরুকশুবা অমদি তরেৎশুবা মেচতা হরি কৃষ্ণ মায় পাকপা ঙমখি।

## সাউথমটননা এ এফ সী বোর্নমাউথপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): সাউথমটন ফুটবোল ক্লবনা এ এফ সী বোর্নমাউথপু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ৩৭শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৪৯ ফংদুনা ১১শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখ্রে।

লীগ অসিগী টাইটল মাংজৌননা লিভরপুল ফুটবোল ক্লবনা লৌখ্রবনি। পুন্না টিম ২০গী লম্বা অসিদা রাউন্দ ৩৮ শান্নগদবনি।

ঙসি লন্দনগী ভাইটালিটি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৩৭শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা সাউথমটনগী মায়কৈদগী দেনি ইংসনা মহাক্কী টিমমেট নেথন রেদমোননা পীরকপা বোল অমদা ৪১শুবা মিনটতা মেচকী অহানবা পাঞ্জল চনখি। অনীশুবা হাফকী শান্নরকপা অয়াম্বা মতম মখা তাবা পাঞ্জল লৈনদনা সাউথমটননা হেন্দুনা লাকখি। শান্নবগী অরোইবা মিনটতা টিম অদুগী মায়কৈদগী চথরকপা এটেক অমদা মাইকেল ওবাফেমিনা পীরকপা পাস অমদা সে অদামসনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চন্দুনা পোইন্ট ৪৯ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## ৱেষ্ট ইন্দিজতগী রন ১৮২ হেন্দুনা ইংলেন্দনা অনীশুবা টেষ্ট মেচকী ২শুবা ইন্নিস শান্নবা হৌখ্রে



মেনচেষ্টর, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): থা অসিগী ১৬তগী শান্নবা হৌখিবা ইংলেন্দ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজগী অনীশুবা টেষ্ট মেচকী ঙসি মরিনিশুবা নুমিৎতা ৱেষ্ট ইন্দিজকী অহানবা ইন্নিংস অদু রন ২৮৭তা লোইশিনখিবদগী ইংলেন্দনা রন ১৮২ হেন্দুনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌখ্রে।

মেচ অদুগী টোস ঙমদুনা ৱেষ্ট ইন্দিজনা বোল্লিং হান্না তৌরক্তুনা ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৯তুরগা রন ৪৬৯ লৌদুনা ইন্নিংস দিক্লেয়ার তৌখিবনি। ঙরাং হুম্নি শুবা নুমিৎকী শান্নবা অদু নোংনা মরম ওইরগা য়াহনখিদবদগী ঙসি ৱেষ্ট ইন্দিজনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস অদু ৱিকেট ১ আউট ওইরগা রন ৩২দগী শান্নবা হৌরকখি।

ওপনর ক্রেগ ব্রাদৱাইটেনা রন ৭৫ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্বা রন মশিং ওইখি। ইংলেন্দগী বোল্লিং এটেক অদুদা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটচমেনশিংকা হেন্না ফজব ঙমখিদে। ৫শুবা বেটচমেন সমার ব্রুক্সনা রন ৬৮ লৌখিবা অদু য়াম্না শীংথাবা য়াবা ওইখি। মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ১৩৭ মায়োক্লবদা ফোর ১১ য়ৈরমখি।

৬শুবা বেটচমেন রোষ্টোন চেসসু ইংলেন্দগী বোল্লরশিংগী এটেক অদু মায়োক্লবদা নীংথিনা শান্নখি। মহাক্না বোল ৮৫দা ফোর ৭ য়ৈরগা পুন্না রন ৫১ লৌরমখি। মখা তারকপা বেটচমেনশিং ক্রিজতা কুইনা লৈবা ঙমখিদে। ৭শুবা বেটচমেন জর্মেন ব্লেকৱুদ অমসুং ৮শুবা বেটচমেন সেন দোরিস ইংলেন্দগী বোল্লর ষ্টোর্ট ব্রোদনা রন অমত্তা লৌহন্দনা অনীমক আউট তাহনখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজকী অহানবা ইন্নিংস অদু রন ২৮৭তা লোইশিনখি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ষ্টোর্ট ব্রোদ অমসুং কৃস ৱোক্সনা ৱিকেট ৩/৩ লৌখি। দোমিনিক বেস অমসুং বেন ষ্টোকসু ৱিকেট অমমম লৌরগা সাম কুরননা ৱিকেট অনী লৌখি। ইংলেন্দগী অনীশুবা ইন্নিংস ৱিকেট ২ তুরগা রন ২৮ লৌরি।

## য়ু এ ঈনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী য়ুম্বু ওইরবা য়ারি

মুম্বাই, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): মালেমগী ওইনা টি-২০ লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ১৩রক শুবা এদিসন অদু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মতম কক্তনা য়ৈথোকখিবদগী য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেট লৈবাক্না লায়না লাইচৎ অসিগী চৈথেং কা হেন্না ফংদবা মরম্না টুর্নামেন্ট অসি য়ুম্বু ওইবা য়াবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৈরি।

চহীসিগী ওক্টোবর ১৮দগী নবেম্বর ১৫ ফাওবা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা আই সী সী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ য়ৈথোকপা য়ানা লৈরম্বা অসিনা মরম ওইরগা আই পি এল টি-২০ টুর্নামেন্ট অসি য়ু এ ঈনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকপা য়ানা লৈরি।

বোর্ড ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়ানা আই পি এল টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু ইন্দিয়াদা শান্নবা য়ারোইদবা মরম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী টি-২০ ৱর্ল্ড কপ য়ৈথোরক্কদবা অসিনা মতম অদুদা য়ু এ ঈদা পাঙথোক্লনবা অকনবা মওংদা থবক লৌখৎলি। অতোপ্পা মফমদদি শান্নবা য়ারোইদবগী ফিভম লৈরি।

## টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঙথোক্কদবা ট্রেনিং কেম্পশিংদা শান্নরোয় কয়া য়াওনিংদ্রি



চেন্নাই, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা পীরিবা চৈথেং অসি লেপ্পা লৈরক্তবা মরম্না মকোক থোংবা টেবল টেন্নিস শান্নরোয় কয়ানা টেবল টেন্নিস ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা শীনগদবা নেসনল ট্রেনিং কেম্পশিংদা শরুক য়ানিংদবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

ফেদরেসন অসিনা মমাঙদা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোক্লনবা থবক কয়া লৌখৎখি। অদুবু লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা টেবল টেন্নিস শান্নরোয়শিংনা চখোক চৎশিনগী অথিংবা লৈবা অমদি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি হৌজিক ফাওবদা লাকশিনবা ঙমদবা মরম্না কেম্পশিং অসিদা শরুক য়ানিংদবগী ৱাফম ফোঙদোরকপনি।

কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ২৮দগী মার্চ ৭ ফাওবা চহী অমা য়ৈথোরক্লবা ৱর্ল্ড টিম টেবল টেন্নিস চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী টিম খন্ননবগীদমক চহীসিগী মেথাদা ট্রেনিং কেম্প পাঙথোক্লবা মায় পাকখিদ্রবা মতুং ওগষ্ট ১দগী নুমিৎ ১৫নিগী ওইবা নেসনল ট্রেনিং কেম্প অমা পাঙথোক্লনবা শীল্লকপনি। অদুবু মকোক থোংবা শান্নরোয় কয়া শরুক য়ানিংদবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

খনগৎলবা শান্নরোয় ২০গী মনুংদা ৬ খক্তমক ট্রেনিং কেম্প অসিদা য়াওনিংবগী ৱাফম ফোঙদোরক্লি। পঞ্জাবকী পাটিয়ালাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল কেম্প অসিদা ইক্যুপমেন্টশিং মতিক চাবা ৱাৎলি হায়না মকোক থোংবা শান্নরোয় সরত কমালনা ফোঙদোরকপা লৈখি।

সেরি এ ফুটবোল লীগ ২০১৯-২০

## মিলাননা বোলোগনাবু ৫-১দা থোইদুনা টিম ২০গী লম্বাদা ৬শুবা পোজিসনদা হায়গৎখ্রে

রোম, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা মিলাননা বোলোগনাবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীদুনা ৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

সানসিরো ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপদা মিলাননা বোলোগনাবু পাঞ্জল ২-১দা অহানবা হাফ অদু মাংজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা মিলানগী মায়কৈদগী এ সিলিমেকর মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। বোলোগনাগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল হন্দোকপা লৈরিঙৈ ২৪শুবা মিনটতা ঐচ কালহানোগ্লুনা অনীশুবা পাঞ্জল চনশিল্লগা মখা তানা মাংজিল থাখি। ৪৪শুবা মিনটতা বোলোগনাগী শান্নরোয় টোমিয়াসুনা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মেচকী অনীশুবা হাফতা মিলানগী শান্নরোয়শিং অদুনা অহেনবা মওংদা বোল পায়বা ঙমখিবা অদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল ৩ অমগসু হাপচিনবা ঙমখি।

আই বেনাসরনা ৪৯শুবা মিনটতা, এ রেবিকনা ৫৭শুবা মিনটতা অমদি টিম অদুমক্কী দি কলাব্রিয়ানা ৯০ শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৫শুবা পাঞ্জল হাপচিল্লগা ৫-১দা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৫৬ ফংবগা লোয়ননা ৬শুবা পোজিসনদা লৈরি। জুবেন্টসনা পুন্না মেচ ৩৩দা পোইন্ট ৭৭ ফংলগা লীগ অসিগী মকোক্তা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Juventus | 33 | 24 | 5 | 4 | 70 | 35 | 35 | 77 |
| 2 | Inter | 33 | 21 | 8 | 4 | 72 | 34 | 38 | 71 |
| 3 | Atalanta | 34 | 21 | 8 | 5 | 94 | 44 | 50 | 71 |
| 4 | Lazio | 33 | 21 | 6 | 6 | 68 | 35 | 33 | 69 |
| 5 | Roma | 33 | 17 | 6 | 10 | 61 | 44 | 17 | 57 |
| 6 | Milan | 34 | 16 | 8 | 10 | 53 | 43 | 10 | 56 |
| 7 | Napoli | 33 | 15 | 8 | 10 | 53 | 44 | 9 | 53 |
| 8 | Sassuolo | 34 | 13 | 9 | 12 | 63 | 58 | 5 | 48 |
| 9 | Verona | 34 | 11 | 12 | 11 | 42 | 42 | 0 | 45 |
| 10 | Parma | 34 | 12 | 7 | 15 | 47 | 47 | 0 | 43 |
| 11 | Bologna | 34 | 11 | 10 | 13 | 48 | 57 | -9 | 43 |
| 12 | Cagliari | 34 | 10 | 12 | 12 | 49 | 50 | -1 | 42 |
| 13 | Fiorentina | 33 | 9 | 12 | 12 | 41 | 45 | -4 | 39 |
| 14 | Sampdoria | 34 | 11 | 5 | 18 | 42 | 56 | -14 | 38 |
| 15 | Torino | 33 | 11 | 4 | 18 | 41 | 60 | -19 | 37 |
| 16 | Udinese | 33 | 9 | 9 | 15 | 31 | 46 | -15 | 36 |
| 17 | Genoa | 33 | 7 | 9 | 17 | 40 | 63 | -23 | 30 |
| 18 | Lecce | 33 | 7 | 8 | 18 | 41 | 74 | -33 | 29 |
| 19 | Brescia | 33 | 5 | 6 | 22 | 30 | 70 | -40 | 21 |
| 20 | SPAL | 33 | 5 | 4 | 24 | 23 | 62 | -39 | 19 |

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

## উলসান হুন্দাইনা গাংৱোন এফ সীবু ১-০দা থোইদুনা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা জিওনবুক এফ সীদগী পোইন্ট ৩ হেন্দুনা মাঙজিল থারি



সিওল, জুলাই ১৯ (এজেন্সী): উলসান হুন্দাইনা ঙসি কোরিয়া লীগ ১ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১২শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা গাংৱোন এফ সীবু পাঞ্জল ১-০দা থোইদুনা টিম অদুগা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা জিওনবুক এফ সীদগী পোইন্ট ৩ হেল্লগা পোইন্ট টেবলদা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

উলসান মুন্সু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ঙসিগী মেচ অদুদা উলসান হুন্দাই অমসুং গাংৱোন এফ সী অকনবা লম্বা তৌনখি। ২৯শুবা মিনটতা উলসান হুন্দাইগী মায়কৈদগী জে নেগ্রাওনা টিম অদুনা ফংখিবা পেনাল্টি কিক অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। মেচকী মখা তারকপা মতম অদুদা গাংৱোন এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীবা নংখি।

ঙসি শুনগুই এরেনা পার্কতা শান্নখিবা অতোপ্পা ১২শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লীগ অসিগী অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা জিওনবুক এফ সীনা ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদকা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখিবদগী উলসান হুন্দাইনা মখোয়গী পোইন্ট ৩ হেন্দুনা মাংজিল থাবা ঙম্লিবনি।

ইঞ্চিওন য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী জিওনবুক এফ সীগা লম্বা তৌনবা অদুদা শান্নবগী ৫ শুবা মিনটতা ঈ জিনা য়াম্না ঙন্না পাঞ্জল চল্লগা মাংজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদুগী লোইশিল্লকপদা মখা তাবা পাঞ্জল লৈখিদ্রবসু অনীশুবা হাফকী ময়াই চনশিল্লকপদা জিওনবুক এফ সীগী মায়কৈদগী এস লিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেচ অদু ১-১দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ২৬ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈরি।

অতোপ্পা মেচ অমদা সিয়োংনাম এফ সীনা সুওন ব্লুৱিংসপু পাঞ্জল ১-০দা থোইবা ঙমখি। সিয়োংনাম এফ সী মমাঙগী ১১শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১০ ফংলগা ৯শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা সী লিনা পাঞ্জল চন্দুনা পোইন্ট ১৩ ফংখিবগা লোয়ননা ৮শুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Ulsan Hyundai | 12 | 9 | 2 | 1 | 27 | 8 | 19 | 29 |
| 2 | Jeonbuk FC | 12 | 8 | 2 | 2 | 18 | 8 | 10 | 26 |
| 3 | Sangju Sangmu | 12 | 7 | 3 | 2 | 14 | 11 | 3 | 24 |
| 4 | Pohang Steelers | 12 | 7 | 2 | 3 | 25 | 14 | 11 | 23 |
| 5 | Daegu FC | 12 | 5 | 4 | 3 | 22 | 16 | 6 | 19 |
| 6 | Busan I'Park | 12 | 3 | 6 | 3 | 14 | 14 | 0 | 15 |
| 7 | Gangwon FC | 12 | 4 | 2 | 6 | 16 | 20 | -4 | 14 |
| 8 | Seongnam FC | 12 | 3 | 4 | 5 | 9 | 14 | -5 | 13 |
| 9 | Gwangju FC | 12 | 3 | 2 | 7 | 10 | 18 | -8 | 11 |
| 10 | Suwon Bluewings | 12 | 2 | 4 | 6 | 12 | 16 | -4 | 10 |
| 11 | FC Seoul | 12 | 3 | 1 | 8 | 10 | 26 | -16 | 10 |
| 12 | Incheon United | 12 | 0 | 4 | 8 | 6 | 18 | -12 | 4 |




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com